# ফুটবোলগী ফেননা লান্মী ওইরকপা

লৈশাংথেম অজিৎ

*মমাঙগী* ৱারেংদা সর্বিয়াগী ‘রেদ ষ্টার বেলগ্রেদ’ কৌবা টিম অমগা ক্রোসিয়াগী ‘দাইনেমো জাগ্রেব’ কৌবা টিম অমগা জাগ্রেব সহরদা ফুটবোল শীংনবদা ফুনা-চৈনবা থোকপদগী রেদ ষ্টারগী শান্নরোয়শিং লম্পাক ময়ায়দগী হেলিকোপ্টরদা পুদুনা চৎখিবগী মরমদা পঞ্ছিবগা লোয়ননা সর্বিয়া অমদি ক্রোসিয়াগী মীওইশিংনা মায়কৈ মায়কৈদা ফুননবা হান্না শেম শাদুনা লৈরমখি। শান্নবা হৌদ্রিবঙৈদা নূংদুমশিং পৈশিন্দুনা থন্নগা, লংগদবগী শেম শাদুনা লৈনরমখি। ক্রোসিয়া অমসুং সর্বিয়াশিং অদু পূন্না ফম্মিন্নহন্দে। তোঙান তোঙান্না ফমহল্লগা য়োৎকী শম্বল অমা খাদুনা কাঙলুপ অনীসিগী মরক্তা অথিংবা থম্মী। রেদ ষ্টারগী কোচপু শেন্নরিবা মহাক্কী বোদি গার্দ জেলজকো রাজনাটোভিক হান্না হুরানবা, মীহাৎপা, পৈশা মুনবা য়াওবা মমিং লৈরবা দাকু-গুন্দা অমনি। মহাক টর্কিগী মমিং লৌদুনা ‘অরকান’ হায়না খঙনৈ। মহাক্কী মপা য়ুগোস্লাভিয়াগী হান্নগী প্রসিদেন্ট টিটোগী এয়রফোর্স ওফিসরনি। অরকান নেভি একাদেমিদগী ময়ায় খাংতপ্তা চহী ১৬ শুরকপদা ফেল ওইদুনা তোকখি অদুগা ইটালিদা লোন্না চৎতুনা ফুরিৎখাউ চপ্পা, পৈশা হুরানবনচিংবগী থবক্তা পূক্নিং লুপখি। কুমজা ১৯৭৪ দা বেলজিয়মদা খূৎলায় হুরানবা য়াওরুবদগী জেলদা থম্বদা চহী অহুম লৈরগা হুরান্দুনা চেন্থোরকখি। মহাকপু দটচ পুলিসনা ফারবা মতুংদসু জেলদগী অমুক নান্থোরকখি। অমুক্তি মহাক্কী মমান্নবা কারলো ফেবিয়ান কৌবা অমা স্বিদেনগী কোর্টতা ৱায়েল চত্থরিঙৈদা মহাক্না নোংমৈ অনী পায়রগা মপান্দগী চঙলকই অমনা জজদা এইম তৌই অমনা ফেবিয়ান কারলোদা পীদুনা মহাকপু পায়হল্লগা মখোয় অনীমক থোঙনাওদা নান্থোক্তুনা চেনখি। মতুংদা বেলগ্রেদতা হল্লক্কবা মতুংদা মপাগী মনাক্তা লৈদুনা য়ুগোস্লাভিয়া লৈঙাক্কী সেক্যুরিটিগা শম্নখি। কুমজা ১৯৮০ গী মতমদা কম্মুনিষ্টকী হৌজিক ওইরিবা লৈঙাক অসি লাক্কবা য়াওল্লকপা মতমদা দাকু অমদি স্মগ্লরশিং সর্বিয়াগী শেল থুমগী মপু ওইরম্মী। অরকানসু অসিগুম্বা মীশক অমা ওইরকখি। মরম অদুনা সর্বিয়াগী প্রসিদেন্ট ওইরক্কদবা স্লোবোদেন মীলোসোভিকপু কুমজা ১৯৮৬ তা সর্বিয়া কম্মুনিষ্ট পার্টিগী লুচিংবা ওইহনবদা মহাক্কী অচৌবা থৌদাং লৌখি।



অরকান ‘রেদ ষ্টার বেলগ্রেদ’ টিমগী মীচংদা লৈবা সপোর্টর অমদি ফেনশিংগী মকোকনি। ফেনশিং অসিগী মরক্তা শেঞ্জাও পায়বা, হুরানবা, দাকু, স্মগ্লরশিং, পুলিস ওফিসর অমদি মন্ত্রিশিং য়াওরি। মখোয়শিং লাক্না ফানবা ঙমদে, লমচৎ নাইদে, লাও খোংই, মী ফুই, থাংনা থিল্লি, নোংমৈনা কাপ্পী। পুলিসনা ফেনশিং অসি কন্ত্রোল তৌবা ঙমদে মরম অদুনা অরকানবু মখোয়গী অমত্তা ঙাইরবা লুচিংবা ওইনা খনবনি। ফেনশিং অসিবু জিপসিস হায়নসু খঙনৈ অদুবু অয়াম্বনা দেলিজি কৌনৈ। অরকান্না রেদ ষ্টারদা মতেং পীরবা নেসনলিষ্টশিংবু অনৌবা ইনোৎ অমা হাপখি।

ক্রোসিয়াদা লৈবা সর্বিয়া মচাশিং থিনা থিনা তৌবীবগী ৱারোলশিং পাউচেদা ইরকপদা সর্বিয়াদা লৈবা মীওইশিং য়াম্না নুংঙাইতে, থম্মোয় শোক্লম্মী। সর্বিয়া মচা লান্মীদা মশীং য়াম্না য়াওদে, মরম অদুনা লমন খুম্বা ঙমদে। সর্বিয়াগী লুচিংবশিংনা পেরামিলিটরি ফোর্স শেল্লম্মী। মসিদা অরকান্না লুচিংবা রেদ ষ্টারগী সপোর্টর অমদি ফেনশিংনা শেম্বা দেলিজি গ্রুপ্তা য়াওবা নহা মেম্বর ময়াম অমা চোঙথোরক্তুনা পার্লিয়ামেন্টরি ফোর্স অদুদা খনখি।

দেলিজি হায়না খঙনবা রেদ ষ্টার বেলগ্রেদকী সপোর্টরশিং নুংশি হৈতবা অমাং অতা থোকহনবদা য়াম্না হৈশিংবা অমদি মদুদা হৈনবা কাঙলুপনি। মখোয়না অরকানগী মখাদা অফবা কৎথোকপা ঙম্বা লান্মী ওইখি। সর্বিয়া লৈঙাক্না পান্বদি মখোয় অসিনি। মখোয়গী হায়ববু সিভিলিয়নশিং অসিদা মীহাৎ মীপুন, ফু চৈদুনা কিহনবা, ক্রোট মচাশিং অমদি মুসলিমশিং সরব মচাশিংনা লৌশিনবা পান্বা লমদা লৈরবদি মখোয়বু ওৎ নৈবা অমদি ময়ূম থাদোক্তুনা চেলহনখিবনি। অসুম্না ফুটবোলদা পামজদুনা মসিগী সপোর্টর ওইরগা পোলিটিক্সতা চঙশিনবগী শরুক অমত্তা ওইনা চঙশিনমিন্নরম্মী। ফুটবোলগী ফেনশিং অসি অহানবদা খূৎলাই য়াওহন্দনা ত্রেনিং পী। অহানবদা দিসিপ্লিন লৈনবা হোৎনৈ। মখোয় অসি লাংবা পাম্মী। য়ু থকপা, চাবা থকপা পাম্মী। অদুবু অরকান্না মহাক্কী য়াথংদগী পূম্নমক পুমলেপ লেপখি।

মহাক্না মখোয়বু মশম তেন্না ককহল্লি, মকোয় ককহল্লি, য়ু থকপা থিংই, নিতি নিয়ম নায়বা কাঙলুপ অমা ওইহনখি। মখোয়বু ‘টাইগর’ কৌই। রেদ ষ্টার বেলগ্রেদতগী খল্লকপা সিফাইশিং অসি ইরদটকী পুলিস ষ্টেসন্দা ত্রেনিং পী।

ফুটবোল ফেনশিংদগী শেমখিবা লান্মীশিং অসিনা কুমজা ১৯৯১-৯২ দা অহানবা সর্বকী ওফেন্সিপ্তা লান শোক্লখি। মদুদা মখোয়গী মতিক মগুন থাগৎপা হৌখি। মদুদা মখোয়না মায় পাকখি। কুমজা ১৯৯৫ দা ক্রোসিয়ানা লান অমুক তাশিল্লকপদা মহাক্না (অরকান্না) টেলিভিজন্দা উখি মদুদা মহাক্না লানগী ফিজোল শেৎতুনা তুপী উপশিন্দুনা লান চৎকদবগী থৌরাং তৌবদা লুহোংবা থা অমা ফাদ্রিবা মহাক্না ফোন তোইনা তৌদুনা কৌবদা মহাক্কী লান্মীশিং অদু রেদ ষ্টারগী ষ্টেদিয়মদা পুঞ্জায় অমগী মনুংদা থুংলখি। মহাক্কী কাঙবু অসিনা বোসনিয়াগী সহর সাসিনাগী ময়াদা য়েক্লবা ময়াম অমা হাৎখি। মহাক্না হোটেল সানুস কৌবা মফম অমদা ওপরেসন চত্থবদা শীজিন্ননবা ওফিস ওইখি। মহাক্কী লান্মীশিং অদু থাদুনা মুসলিমশিংবু ফাহনখি। মখোয়গী ইমুং মনুং তান্থোকখি। ময়ূম অদু লুট তৌখি। হুরানবা অচৌবা পান্দম ওইখি।

লোস এঞ্জেলস টাইমনা হায়, মখোয়না মুসলিমগী ইমুং অমদা চঙবদা, মখোয় খরদি চাকশঙদা পাইশিনখিগনি । মদুদা লৈবা গ্যাস চাকথোংনবা মেছিন খুদিংমক ফকতোক্কনি। খরা অমনা টি ভি, ভি সি আর, খরা অমনা লৈকোল, ইস্কোলদা তৌথোক্তুনা করি করি সনা লুপা ফুমদুনা থম্বা হায়না খঙনবা হোৎনৈ। মখোয় অসি লৈবাক তৌবদা খুজিল মোৎলি মরম অদুনা মখোয় তোঙান্না তাই। মখোয়না সাসিনাদা মুসলিমশিং হেক ফারকপগা অরকানগী হেদ ক্বার্টরস হোটেল সানুসতা পুরকই। খরনা ফুই, খরনা ৱাহং পাউহং তৌই। খরা অমনা স্কার মিটর ৫ চাউবা কা অমদা পুল্লগা থম্মী। কা মচা অসিদা টাইগরশিং অসিনা নুপা ৩০, নুপী ১ নুমিৎ ৩০ নি থম্মী। মখোয়না চাক ঈশিং পীদে, নুংশিৎ নুংশা চঙহন্দে। বস অমনা কা অসিদা লৈরিবশিংবু চীং অমদা পুরগা চৎখি। মখোয়না মনিখক নত্তনা মখোয় লোইনমক হাত্তোক্লগা ফুমখি অদুবু চহী অমা লৈরগা লান লোয়রবা মতুংদা বোনমিস ক্রোসিয়াগী রিপোর্ট মতুং ইন্না মখোয় অসি মঙত্তা লেনথৎলগা হাৎপা, মখৌরি চরম মেৎপা অমদি অতৈ উপাই কয়া অমুক শীজিন্নৈ। মখোয়না পূন্না নুপা নুপী ২০০০ হাৎখি।

অরকান্না তৌরিবা ক্রাইম অসি তুমিন্না রেকোর্দ তৌদুনা থম্মী। নুপা অসিবু সর্বিয়ানশিংনা ইকায়খুম্নরি। মহাক অসি মীয়াম্না খ্বাইদগী পান্বা লুচিংবশিংগী মনুংদা অমা ওইরি। মহাক্না কুমজা ১৯৯৪ দা ঈশৈ শকপী সিকাগা লুহোংবগী টি ভিদা লাইভ থাখি।

লান অসিনা মহাক অসি মমিং চৎপদা নত্তনা ইনাক খুনবা অমা ওইখি। মহাক্না পাকশন্না ব্লেক মার্কেট তৌই। মহাক হৌজিক মালেমদা মমিং লৈবা নিপা অমা ওইবা পামদুনা ফুটবোল ক্লব অমা লৈনবা থৌরাং তৌবদা রেদ ষ্টারদি মহাক্না লৈবা ঙমদে অদুনা কুমজা ১৯৯৬ দা বেলগ্রেদ ক্লব Obilic লৈখিদুনা মসিগী মপু ওইখি।

# মণিপুর কলচরেল পোলিসি - ১

— ডা. থৌনাওজম রুহিচান্দ —

এসিস্টেন্ট প্রোফেসর

দিপার্টমেন্ট ওফ উমংলাই হরাউবা

মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ওফ কলচর

*মণিপুরদা* খুন্দামিন্নরিবা তোঙান তোঙানবা ফুরুপশিংগী তাংল-তাংলবা নাৎ-চৎনবীগী ওইবা মচাক মরনশিং অসিবু মাঙহন-তাকহন্দনবা অমদি চাওখৎহন্নবা য়াম্না কন্না হোৎনবীরম্বা লাইওইখ্রবা অমদি হৌজিক হৌজিক হিংলিবা অহল-লমনশিং, অখঙ-অহৈ ময়াম অমগী হোৎনজমন কয়া অদুনা মহয় য়াল্লকপনি। ঙসি মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ওফ কলচর কৌবা ইন্দিয়াগী ওইনা ইহান হানবা কলচরখক্তগী ওইবা য়ুনিভর্সিটি অমা লমদম অসিদা লিংখৎলক্লিবা অমদি ইন্দিয়াগী ওইনা মশাগী কলচর পোলিসি লৈজবা অহানবা ষ্টেট অমা ঙসি মণিপুরনা ওইবা ঙল্লক্লিবা কয়াসি।

চৎলিবা চহী ২০১৬ অসি মণিপুরগী আর্ট এন্দ কলচরগী লমসিদদি খ্বাইদগী লাইবক ফবা চহীনি হায়বা য়াই। মরমদি পীকচরবসু আর্ট এন্দ কলচরগী লমদদি মালেম পূম্নমক্না শকখঙনরবা ঐখোয়গী ইচাক-ইরন কয়াসিবু মীয়াম্না অমদি লৈঙাক মপুনা কন্দবা য়াদে, য়োকখৎতবা য়াদে হায়দুনা চহী কয়াগী মমাঙদগী য়াম্না কন্না হোৎনদুনা লাকখিবদু হন্দক্কী চহী অসিদদি খ্বাইদগী শিংথাননিংঙাই ওইরবা পূম্নমক্না খৌরাংনা ঙাইনরিবা অওনবশিং অদু লাক্লে। মীয়ামগী পূক্নিংগী ইহুল ফজনা খঙনা ঐখোয়না খ্বাইদগী ইনাক খুঞ্জরিবা হীরম অসিগীদমক হৌজিক হৌজিক পাল্লিবা লৈঙাক মপু অসিনা খ্বাইদগী তমজনীংঙাই ওইরবা মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ওফ কলচর কৌবা অখন্নবা কলচরগী মহৈ-মশীন তম্ফম অমা লিংখৎলকপগীদমক ইনাৎপু য়াম্না নুংশিজবা লৈবাক মীয়াম পূম্নমক্না মমিৎতগী মপি তাবমখৈ হরাউনরিঙৈ মরকসিদা ‘মণিপুর কলচর পোলিসি’ কৌবা ইন্দিয়াগী ষ্টেট অতৈদা অমত্তা লৈত্রিবা কলচরগী অখন্নবা খূৎশিন থৌরাং অমমুক হৌখিবা ওক্টোবর ১৩, ২০১৬ দা সি এম সেক্রেটরিয়েটকী কেবিনেট হোলদা রিলিজ তৌখিবা অসিদি ইরৈচা পূম্নমক্না হরাউবগী ঙমখৈ লৈরল্লোই হায়না খল্লি।

মীয়াম্না খৌরাংনা ঙাইনরক্লবা মণিপুর কলচর পোলিসি অসি শেম্ন নবা কুমজা ১৯৯৮ দগী থবক কন্না লৌখৎলকপনা কুমজা ২০০২ দা দ্রাফ্ট পোলিসি অমা পুথোক্তুনা লমদমসিদা লৈরিবা তোঙান তোঙানবা অখঙ অহৈশিংদগী পাউতাক লৌ-লৌদুনা শুম লাকপনা হন্দক্কী চহীসিদদি ফাইনেল দ্রাফট পোলিসি অমা লৈবাক মীয়ামদা খুদোল তৌবীরে। মতমগী খোঙলৈবু কনানা থিংলুগনি। মৈতান অরাববু ফিনা কুপ্তুনা থম্বা য়াদবগুম্না ঐখোয়গী তশেংনা ইনাক খুল্লিবা নাৎ-চৎনবী কয়াসিগী মতিক ময়াইশিংনা লেপ্তুনা মথি ফোঙলক্লিবা অসি ঐখোয়না তরাম্না অমদি চেকশিন্না ওকফম থোকই।

মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ওফ কলচরগা নোংমতদা লিংখৎমিন্নখিবা মণিপুর ষ্টেট ফিল্ম এন্দ টেলিভিজন ইনষ্টিট্যুট অসিসু মণিপুর লৈঙাক্না অহেনবা থৌনা পুথোক্তুনা লিংখৎপীখিবনি। মরমদি ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা ফিল্ম ইনষ্টিট্যুট অমা মণিপুরদা লিংখৎনবা থৌরাংলল্লগা অরুনাচল প্রদেশতা ওইনা লিংখৎখিবা অদুনা লমদমসিবু মালেমদা শক্তাকপদা অচৌবা থৌদাং লৌরিবা লমদমসিগী ফিল্ম তৌজরিবা ইচিল ইনাওশিংগী থম্মোয়দা চাউনা নীংহন্নবা অমা থোকহল্লমগদবদু লৈঙাক মপু অসিনা ফৈগাক ফৈনা লেপ্পীখি।

পূম্নমক অসি য়েংলুরগদি পাল্লিবা লৈঙাক মপু অসি কলচরগী লমদা থবক তৌরিবা মীপুম খুদিংমক্না কাউবা ঙমদনা নীংশিংনহৌরগনি। হায়রিবা অচৌ অচৌবা শিঙনবশিং অসি ওইথোক্লনবা হোৎনবা খ্বাইদগী অচৌবা থৌদাং লৌবিখিবা আর্ট এন্দ কলচরগী থৌমীশিং অমদি ইনাৎকী লমদা থোইদোক্না খঙ হৈরবা মীওইশিংনা পীবিখিবা পাউতাকশিং লৈবাক মীয়াম্না নীংশিংদুনতা লৈহৌরগনি। লমদমসিগী মীয়াম্না খ্বাইদগী হৈনজবা, মতিং অমদি থৌনা পাঙ্গল ফুদোকচবা ঙম্বা আর্ট এন্দ কলচরগী লমসিদা লৈঙাক মপু অসিনা অহেনবা মিৎয়েং কয়া চঙলকপসিনা লমদমসিগী হ্যুমেন রিছোর্স মেনেজমেন্টদসু অওনবা কয়া লাক্কনি। লোয়ননা পীক্লবা চীংলৈপাক অসি ইন্দিয়াগী কলচরগী পৱার হাওসনি অমদি কেপিটেলনি হায়না মীয়াম্না হায়নরিবা কয়াসি অমুক্কা হেন্না চেৎশিলহন্নবা হোৎনরিবা গভর্ণমেন্টকী পোলিসি কয়াসি তশেংনা থাগৎনীংঙাইনি।

লাক্লিবা কলচরেল রেভল্যুসন অসি অমুক্কা হেন্না অফবা মায়ওন্দা পুদুনা মালেমগী থাক্তা অচেৎপা ফিদা অমা মতম চুপ্পগী কলহৌবা ঙম্নবা মখা তানা ঐখোয় পূম্নমক কন্না কোক চুংশিনমিন্নবা অমদি থবক কয়া হোৎনমিন্নবা মথৌ তারি নৎত্রগদি মালেমগী অতৈ লৈবাকশিংদা শেম্নখিবা ফজ-ফজরবা কলচরগী পোলিসি কয়ানা তূম-তূমদুনা লৈথোকখিবগুম্না ঐখোয়গী অসিসু চেদা য়েকপা কৈগুম্না অদুম লৈখ্রগনি।

# এদিটরদা থারকপা চিঠি/ৱাকৎ/মীয়ামগী খোল্লাউ/পাউদম অমসুং অতৈ-অতৈ ....

## মণিপুর লৈঙাক্না লাইরিক্তা মিৎয়েং চঙবীয়ু

*ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,*

**মীতৈ** লৈবাক মণিপুরদা তন্নিবা লাইরিক অসিগী মরমদা লাইরিক হায়বা অসিবু করিনো? করি মরমগী লাইরিক তন্নিবনো? করি মরমগী লাইরিক কৌরিবনো? লাইরিক্কী হৌরকফম্না কদায়দনো? করি মরমগী লাইরিক পাউ, লাইরিক তম্মু হায়না ইচা ইশুদা চৈদুনা ঙাঙলিবা, অয়ূক, নুংথিল, নুমিদাং খাক্তনা মপানা মচাবু ওজাগী মনাক্তা ট্যুসন তমহন্নবা থিনবা, মচাবু অসুক ৱানা শেল তিংনা তম্নরিবা লাইরিকশিং অসিগী মমিংনা করি কৌরিবা? লাইরিক্কী মমিং খঙনা তম্ফম থোক্তবরা? মীগী মীরোলদা লাইরিক তম্বা খক্তনা মীতৈ লৈপাক ইরৈপাকপু চাওখৎপা পুরকপা ঙল্লোই। মীগী মরোল য়াম্না তম্বা হৈবদি ইশাগী ইরোল হাৎতোকপনি। ইশাগী ইয়েক্কী হৌরকলোন মশক খঙদ্রবদি করি কান্নগনি, পুন্সি মাঙনবনি।

ঙসি মহৈগী শঙলেন মহৈকোন্দা তন্নিবা মহৈরোয়শিং অমদি তম্বীরিবা ওজা অদুনা লাইরিক হায়বা অসি করিনো? লাইরিক্কী মমিং করি কৌই খঙদ্রবদি তেকচাক (পাপ) লংশিন্নবনি। লাইরিক হায়বা অসিদি ‘মা’ মুক লুবা মালেমদা অনীশুনা লৈতে। লাইরিক হায়বা অসি করিনো মশক খঙলবা মতমদা তাইবঙপান মশক খঙলক্কদৌরিবনি। ঙসি লৈখা তানা মাঙলবা মীতৈ লৈবাক্কী লমজিং মৈরাদি লাইরিকনি। অসিগুম্বা মতিক মগুন লৈবা লাইরিকপু মহৈকোন্দা তম্নবগীদমক মীতৈ লৈবাক্তা লৈরিবা মাইচৌ-মাইনৌ পূম্নমকপু মণিপুর লৈঙাক্না লোইনা কৌখৎতুনা লাইরিক হায়বা অসিবু করিনো? কদায়দগী হৌরকপনো? করি মরমগী লাইরিক কৌরিবনো? লাইরিক্কী মমিংনা করি কৌই? অখঙ অহৈ কয়ানা মাগী মাগী অইবশিং অদু পাথোক্লবা অমদি খন্ন নৈনবদু টি ভি চেনেলশিংদা মীওইবা খুন্নাই পূম্বা তাহনবীবতা নত্তনা ফিল্ম অমা লৌহৌরগা লাইরিক হায়বদু অসিনি খঙনবা তুংগী লাক্কদবা ইচা ইশু মীরোলগীদমক ওইনবা মণিপুর লৈঙাক্না থম্বীনবা নোল্লুক্না নীংশিংজরি।

*অদোমগী - সোইবম গুনিন্দ্রো মৈতৈ*

*কোংবা ক্ষেত্রি লৈকায়*

## মায় পাক্লবা খোঙথাং

*ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,*

**মতম** কৌবী লাইরেম্বী ইমানা চাওখৎ-লম্বীদা পুবিরি মীওইবশিংবু অদুনা মতমবু য়াম্না কুপ্না শীজিন্নবা তঙাইফদে। অরেম্বদা মাঙখ্রবা মতম অমুক হন্না লাক্লরোই। মাঙখ্রিবা মতমবু কুপখৎনবা হোৎনবা অরায়বা নত্তে। নোংমদা পুং ২৪ না শাই। নোংমগী মনুংদা পুং ১-২ খক্তং হোৎনবনা পুন্সিগী মায় পাকপা ঙল্লোই। মতমবু য়াম্না কুপ্না শীজিন্নদুনা হোৎনখিবা মীওইতনা অফবা মীওই ওইখিবগী খুদম কয়া অমা মশক নাইরবশিংনা ইদুনা থম্বীরম্মী। পুং ২৪ বু অসুম্না খাইদোকপা য়াই মদুদি তূম্বগী মতম পুং ৭ নৎত্রগা ৮, পুং ২ চাবা থকপগী। মসি খাইদোকখ্রবা পুং ১৪ লেম্লি। মসিগী মনুংদগী পুং ৪ দগীনা ৮ ফাওবদি তুংলমচৎকী ওইরক্কদবা মতিক চাবা মী অমা ওইনবা হোৎনবগী থৌদাং, মহৈ মশীন তম্ন বগী কাইথোক্তুনা হোৎনবা তাই। লেমহৌরিবা পুং ৬ অসিনা পুং ২ দি ইশাগী শাজেল অমসুং শান্নবগী মতম, অরেম্বা পুং ৪ অসিনা ইশাগী ওইবা তৌগদবা অতোপ্পা থবকশিং অমসুং পোত্থাবগী মতমনি। অমুক্কা হেন্না কন্না হোৎননিংলবদি অরোইবগী অরেম্বা পুংফম অসিসু লেম্না মাঙহন্দবা য়াই।

মীওইবগী পুন্সি হোৎনবগী মপাল তাংবনি। চৎন-কাঙলোন কায়দনা রুটিন অমগী মখাদা হোৎনবদগী মহয় য়ানখিবা মীওই কয়াগী পুন্সি ৱারী কয়া থেংনখ্রে। মতমবু কুপ্না শীজিন্নদুনা হোৎনখিবা মী খুদিংমক তশেংনা মখোয় মখোয়না হোৎনবগী মহয় য়ানখিবা ঙাক্তনি। অসিগী ওন্না তৌনবদা অরেম্বদা মতম মাঙহন্দুনা লেম্থোকপা মীওই কয়াদি নুংঙাইবগী মহুত্তা ৱানা পুন্সি লেনখি।

অঙাং নৱা ওইরিঙৈদগী হৌনা মতমবু মফম চানা শীজিন্নবগী হৈনবী লৈহনবা তঙাইফদে। মতমবু য়াম্না কুপ্না শেন্নদুনা শীজিন্নবা মীওই খুদিংমক মশক নাইবা মীওই অমা ওইবতা নত্তনা পুন্সিগী মহয় য়ানবা মীওইশিং ওইখি। মসিনা মরম ওইদুনা হৌরক্লিবা নহারোল, মহৈরোয়শিংনা মতমবু কুপ্না শীজিন্নদুনা মাগী মাগী শিন্থগী পোরম য়াৎতুনা অতনববু নমহৎতুনা পূক্নিং চঙনা হোৎনবা তঙাইফদে। হায়নবা লৈ শারিঙৈদা য়ৈহৌ, অপেৎপা লৈখোম শানিংবা মওংদা শাবা য়াই, নৎতদুনা ইংখ্রগা অমসুং কংখ্রগা শাবদি য়ারোই।

চহী ৫ দগীনা ১২ ফাওবগী মনুংদা লৈবা অঙাংশিংবু তুংগী লম্বী শেম্ন বগীদমক অচৌবা থৌদাং লৌগদৌরিবা অসি মমা-মপা অমদি তাকপী তম্বীরিবা ওজা গুরুশিংনি। চাং নাইনা লাইরিক লাইশু পাহন্দুনা পাবগী হৈনবী থম্নবা হোৎনবা মথৌ তাই। চহী ১৩ দগী ১৯ ফাওবগী মতাং অসিনা অফবা পাউতাক পীবা, অফবা শঙ্গ তৌহনবা, ফত্তবদগী লাপথোকহনবা, লমচৎ শাজৎ, থকসি-খাসি, চৎনরোল তম্বীবা, চাং নাইনা লাইরিক লাইশু তৌহনবা, মখোয় মখোয়গী মথৌদা পূক্নিং চঙহন্দুনা নিংথিনা শেন্নবীবা মথৌ তাই। লোয়ননা অফবা ওজা-গুরু, ইমুং-মনুংগী মীওইশিং অমদি কৈরোই লৈকায়না অঙাংশিংবু অফবা মায়কৈদা লমজিংবীবা মথৌ তাই। হোরেন হয়েংগী হৈনবী থাদোকপা ফৈ।

মমা-মপা ওইবশিংনা মচাশিংবু অফবা চীঞ্জাক পীজবা, অফবা শঙ্গ তিলহনবা, মশা ফহনবা, লমচৎ শাজৎ ফজহনবা অমদি তোঙান তোঙানবা অফবা লম কয়াদা লমজিংবীবা মথৌ তাই। মশানা মশাবু ৱাখল তাহন্নবগী অফবা পাউতাক কয়ামরুম পীদুনা তম্বীবা তাই। মী ওইনা পোকপা মপোকসি নোংমদি শোয়দনা শিগদৌরিবনি। শিবগীদমক হিংবদি কান্নদে। পোকপদগী শিদ্রিফাওবা হোৎনবা য়াবা হোৎনগদবনি। অরেম্বদা মতম মাঙহনবা, অতনবগী ৱাখল পূম্নমক থাদোক্লবা হোৎনগদবনি। অতনবগী লায়নানা নারবা অমদি ফত্তবা শঙ্গ তৌরবদি ময়ায় কাবা চিঞ্জাক কয়া শীজিন্নবদগী পুন্সিবু মাঙনবগী অচৌবা মচাক অমা ওইরকই। ইশাগী থৌদাং ইশানা খঙনা লৌবা, অহল-লমন, ওজা-গুরুগী পাউতাক লৌবা, মমা-মপা ওইবশিংনা হায়বা ইনগদবনি।

চহী ২০ দগীনা ৩৫ ফাওবা অসিনা ইশাগী ওইবা ফীরেপ অমা লৌবগী মতমনি। ইশানা ইশাবু অফবা মায়কৈদা চৎনবা হোৎনগদবনি। অচুম্বা ঙাঙবা, অফবা চিঞ্জাক চাবা, অখাং কনবা, চৎকদবা মায়কৈ চুম্নবা হোৎনবা হায়রিবশিং অসি ঙাক্না চৎলবদি পুন্সিদা মায় পাক্তুনা অফবা মী ওইগনি হায়বসি ককপা য়াদ্রবা ৱাফমনি। তশেংনা হায়রবদা অচৌবা, অফবা মীওই খুদিংমক মতমবু য়াম্না কুপ্না শীজিন্নবা, মশাগী অপাম্বদা অরেপ্পা থমখিবা ঙাক্তনি। হোৎনবদা মায় পাক্তবা লৈতে হায়নরিবনি। মতম মাঙহন্দনা ইথৌদাং মশক খঙবা মী খুদিংমক মা মাগী পান্দম ফংই।

হৌজিক হৌজিক ইমিৎসিনা উবা ফংলিবা অতনবনা মাঙজবা, ময়ায় কাবা চিঞ্জাক শীজিন্নরুবগী মাঙজবা, থকসি-খাসি মশক খঙদবা, শেরান্নবা ৱাখলদা খন্দুনা লৈবা, নুপী অঙাংদা নত্তবা মিৎয়েংনা য়েংবা, হুরান চিন্থি তৌবা মীওই কয়া লৈরি। পূম্নমকশিং অসি মতম লৈরিঙৈদা শেমদোকহৌদুনা তুংগী পুন্সিদা মায় পাক্না, নুংঙাই য়াইফবা মী অমা ওইনা লেন্নবগী পূক্নিংগী ওইবা পাউদমনি।

*অদোমগী - অথোকপম তোম্বা*

*ৱাংখৈ য়োংলাল লৈরক*

## ইম্ফাল সহরগী পার্কিংগী মতাংদা মিৎয়েং চঙবীয়ু

*ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,*

**ইম্ফাল** সহর নোর্থ ইষ্ট ষ্টেটশিংগী মনুংদা মমিং হায়রপ নাইরবা সহর অমনি। অসিগুম্বা মগুণ লৈরবা সহর অসিদা টুরিষ্ট কয়াসু তৎতনা লাক্লরি। ফুরা, দলান, ফ্লাই ওভর ব্রিজ অমদি সহরগী লম্বীশিং ফনা অদুম নান্না উরি। মণিপুরদা লৈরিবা দুকানশিংদা ফংদবা পোৎ ইয়াও য়াওনরক্তে। ইম্ফাল সহরদা তিনফম থোকপা মীগী চাং ফজনা তিল্লি। মশীং খংঙমদ্রবা মখল কয়াগী গাড়ীশিংনা সহর অসিগী মফম কয়াদা চিক্না চাইনবা ঙমদবমখৈ চেল্লি। গাড়ী অদুক্কী মতিক য়াম্বনা মফম কয়াদা ত্রাফিক জামসু থোকহল্লি। ফীভম শোক্লবা অনাবা পুবা গাড়ীশিং লম্বীদা তোয়না ত্রাফিক জাম থোকপদগী হোস্পিটাল য়ৌদ্রিঙৈদা পুন্সি পিখম্নবা য়াবগী ফীভমদা লৈরি। অথু অকায়গী থবক নংনবগী ৱাফমদি লৈত্রে হায়বদা হায়মনবা থোক্লোই।

লুরিবা অমনা অসুক ফজরবা অসুক চাওখৎলবা অসুক য়াম্না গাড়ী চেল্লিবা সহর অসিদা গাড়ী মখল কয়াগী অমদি পেসেঞ্জর পুবা গাড়ীশিংগী পার্কিং অমত্তা লৈতবগুম্লি। দুকানশিংগী মমাঙশিংদা মখোং মরি পানবা গাড়ীশিংদা নত্তনা মখল মখা কয়াগী গাড়ীশিংনা খামদুনা থম্নরি। পেসেঞ্জর পুবা বস থাফম লৈত্রে। মতম অমগী থৌবাল পার্কিং গাড়ী থাফম লৈত্রে। ওফিস মমাঙদা থাজিনবদগী ঈরাং অমুক হৌনরক্লনি। চুড়াচান্দপুর পার্কিং কৈশাম্পাৎ লম্বীদনি। ৱাহেংবম লৈকায়গী লম্বী মতেক অমদা মোইরাং, বিষ্ণুপুররোমগী গাড়ী থাফম ওইরি। সগোলবন্দলোমদা চৎপশিংগী গাড়ীনা ৱাহেংবম লৈকায়গী লম্বীশিং থল্লে। চৎথোক চৎশিন্দা ওন্থোক্না ৱানরে। অৱাংলোমগী য়াইঙংপোকপী অমদি অতৈগী গাড়ীনা নাগামপালগী লম্বীশিংদা কৃক কৃক ইন্ননা থারি। থৌবাললোমদগী লাকপা মেজিক, ৱিঙ্গর অমদি অতৈ মখল কয়াগী গাড়ীনা ইম্ফাল ম্যুনিসিপাল কোর্পোরেসনগী মমাঙগী লম্বীদা পৈরি। অসিদা নত্তনা লম্বী অয়াম্বা গাড়ী পার্কিং ওইদুনা লৈরি।

সেক্রেটরিয়েট মমাঙগী পরেং নাইরিবা য়েৎ ওইগী লম্বীশিংদা পার্কিং ওইরি। খাল্লম্বা গাড়ী অমনা থৌদোরকপদা লম্বীদা ত্রাফিক জাম মশানা অদুম ওইহল্লি। গুৱাহাটি অমদি দিমাপুরগী গাড়ীশিংদি এ ও সিগী লম্বীদা অদুম পার্কিং ওইরি। জিরি চৎপগী গাড়ীসু ৱাহেংবম লৈকায় লম্বীদা অদুম ওইরি। গাড়ীশিং অসি থৌনরকপদা ত্রাফিক রুল খঙনদবা কয়াগী খুৎথৌদা গাড়ী থেঙ্গাইনবা য়াওদুনা খৎন-চৈনবা কয়াসু থোক্লি। খুয়াথোং পি দব্লিয়ু দিগী ওফিস, এল আই সি ওফিসকী ময়াগী লম্বীশিংসু গাড়ী পার্কিংগুম্বনি। গভর্ণর রোদসু গাড়ী পার্কিংনি। অতোপ্পা গাড়ীশিং অমদি পেসেঞ্জর গাড়ীশিং ওটোশিং পুমঙাও ঙাওনরে। করিগুম্বা তাঞ্জাদা পার্কিংশিং অসিদা ইমার্জেন্সি অমগী গাড়ী তোংনবা লাকপদা হোংদোক হোংজিন তৌবনা পেসেঞ্জরশিংসু পুমঙাও ঙাওনরে । ঐখোয়গী হোটেলগী মনিং, মিনি ফ্রেন্দসকী মফম ফাওবা গাড়ী মচাগী পার্কিং ওইরি। করিগুম্বা গাড়ী খামজিল্লক্লবদি লম্বীদুদা চেল্লিবা গাড়ীনা দুকান্দা ৱাইশিনবসু য়াওনরি। বির টিকেন্দ্রজিৎ রোদকী নাকল অনীগী ফুটপাথ অসিদা ওটো ঙাইবা মীওই কয়া লেপশিনবা অমদি পোৎ চৈ য়োনশিন্দুনা ফুটপাথ অসিসু অথু অকায়গী চৎপদা খুরৌ থাংহল্লি।

অমরোমদা, পাওনা বজার, থাঙ্গাল বজারগী দুকান মমাঙদা গাড়ী মচাদগীনা অচৌবা ফাওবা পার্কিং ওইখিবনা পোৎ য়োনবা অমদি লৈবা চঙনবদা খুরৌ থাংহল্লি। মসিনা মীচম মীয়ামসু মশা মশাগী ঙম্না ঙম্নবা তৌনরি। লৈঙাক্কী মরী লৈনবশিংনা অসুক য়াম্না চিল্লবা মফমশিং অসিদা পার্কিং ওইহন্দুনা মীচম মীয়ামদা অৱাবা পীরিবা অসি খঙলবসু খঙশিন্নদনা লৈথোকপগী মহুত্তা পার্কিং মফম চানা চানা থম্বীনবা হায়বদি লম্বীদা পার্কিং ওইহন্দবা য়াবা মওংদা শিনবীনবা মরী লৈনবশিংনা মিৎয়েং চঙবীয়ু।

*অদোমগী - ফুরাইলাৎপম রেবতি শর্মা*